## নতাও খন্বা লাকখিসনু
### গভর্ণরসিবু পোরোং থোক্ত্রিবরা

মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিংনা মখোয়গী অনৌবা লৈঙাক অমা শেন্নগদবনি হায়দুনা খিংগৎলক্লিবা, মফি শেমদুনা খা-ৱাং থুংনবা চেনখৎলক্লিবসি কুইরে। ঙসি-ঙরাং খক্তগী ৱাফম নত্তে। হোয়, ঙকথি চপ্তুনা খূৎয়েক পীহন্দেদা খাক্তুনা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা তোকচরগে হায়বগী গভর্ণরদা অইবা চেরোল (রিজিনেশন লেট্টর) পীশিন্দ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদা লৈরমখিবা লৈঙাক্তুগী মতমদবুদি অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী ৱাফমসি মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্কী চিন্দোন লৈতোন্দা পক্লখিদে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌরগা নমদুনা তোকহঞ্জদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্তুগী মতমদা ওইখিবা ফিভম্না মীয়ামগী মীহুৎশিংনিসু হায়বা, মীয়ামগী লৈঙাকনি হায়বা'মসু শেমদুনা ৱায়েল থৌদারগা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিবু খামদুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদে, কুকি টেররিষ্টশিংনা নুপী-অঙাং য়াওনা মীচমশিং হাৎহন্দবা ঙমদে, লান লেপহনবীনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা মখোঙ থিন্দুনা, মফি কন্দুনা করিমত্তা হায়জবা ঙমদে, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা মিৎকুপ অমগী মতমদা ফাওবা উনবা ঙমজদে হায়দুনা মকোন কাইদুনা পাইথোরকপা খোইয়াম্না ঙংবদৌনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা ঙ্রুং-ঙ্রুং ঙংনখিবনি। মসিগী মখা তারকপদনা হৈত্রবদি-ঙমদ্রবদি তোক্লো, ৱাংলবা চৌক্রিদুদগী কুমথরক্লো অমসুং ফম কোন্দুনা লৈরনু হায়বগী ৱাফমশিংনা অমুক্তোইবা পুমনিল নিনখিবনি। লান নংলক্লবা তম্পাক্কী মীয়াম পূম্নমক্কী মচিনশিংদগী থোরক্তবা য়াওদ্রিবনি। হায়বগা তৌবগা ফুইনা হৌরকপা অমুবা নোংগুম ওইরকখিবসিনা মণিপুরগী তম্পাক্কী অতিয়া পূম্বা খনজিনখিবদগী তোকহল্লকখ্রবা লৈঙাক্তুবু লুচিংখিবা পার্টিগী এম এল এশিংগী মরক্তা মচেৎ-মকাই অমা-অনীদা নত্তনা ৩/৪ থোক্তুনা খায়বুং অমসুং নাকপাক তানরকখিবনি। চুম্নতা পার্টি মনুংদা ময়ি চৎপদা নত্তনা চিনার অমুনবদৌনা ফোংনা চেকখাইরগা মচেৎ কয়া থোক্লা কিন্থরকপগী ফীভমদা লৈরকখিবনি। ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসিগী ৭শুবা মীফম ফমদবা য়ারক্তবদগী ফম্নবা থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লুরবনি। জন্যুৱারীগী অহানবা চয়োলদগী গভর্ণর ওইরকখিবা অজয় কুমার ভল্লানা চহীসিগী অহানবা মীফম ওইগদবদগী মহাক্লা এড্রেস তৌদুনা হৌদোক্লবা শেম-শাবা পূম্নমক লোইশিল্লুরবনি।

অদুবু খাইবুং তানরকপদগী খুদোংচাবা লৌরগা থুনাম্বগা মান্নরক্লবা লৈঙাক্তু ৱাই শিৎতোকখিবদৌনা শিৎ-নান্না লোইশিন-খমজিনবগী খুদোংচাবা লৌনীংলকপদগী এসেমব্লি মীফমদু হৌদুনা চথ্থরবদি 'নো-কনফিদেন্স মোশন' শোয়দনা থাঙ্গৎলগনি হায়দুনা চুম্না হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা 'ব্রহ্মষ্ট' ফাওবা শীজিন্নরগনি হায়রকপদগী খা-ৱাং চিংবা অকনবা য়ুহা হাবদৌনা থোক-থোক চিংলকখিবদগী মখোঙ লোইনমক শুম-চারবা লৈঙাক্তু পুমচাই চাইবা মখৈ কিন্থরকখ্রিবনি। অদুগা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরবু 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লোংউপনা উপশিল্লগা থন্নকখিবদগী 'অনৌবা লৈঙাক' কী ৱাফম ময়োল চোংলকখিবনি। পল্লিবা ৱাফম পূম্নমকসি অচুম্বা অমসুং অশেঙবা ঙাক্তনি। মসিদগী নাথৈরগা মণিপুরদা পি আর থন্নকপগী ৱাইওং চাদবা, ওন্থোক-ওন্থোকপা মরমশিং তরেৎ-তরা থোক্লা পুথোক্ক রকপসু য়াওদবদি নত্তে। অদুবু মণিপুরগী লাননা থোকহল্লকপা থৌদোকশিংনা ওইহল্লকপা অপৎপা-অপুম্বা, লৌখৎপা য়াদবা ষ্টেটসিগী লো-এন্দ-ওর্দরগী ফিভমশিংগদি মখল অমত্তগী মরী লৈনদে। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী থৌদোকশিংদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা 'ষ্টেটকী সবজেক্ট' নি হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খ্রিবনি। লানসিনা মরম ওইরদুনা থন্নকপা ওইরগবু চহী অনী ফানিংচিৎ ঙাইরগা এসেমব্লিগী মীফম হয়েং হৌরগনি হায়বদুগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা রিজাইন তৌহল্লকফম থোকপ্রো? মেজোরিটি কম্মান্দ তৌদুনা লৈঙাক পায়রবসু এসেমব্লিগী ফ্লোরদা নাম্তুদুনা পুনত্রে তুরনেনা 'পামদ-পামদ লৌরে বিদায়' হায়না নমদুনা লুশম পায়রগা চিংথখ্রিবনি। লো-এন্দ-ওর্দরগী ফিভমদা য়ূম্ফম ওইরগনি হায়রগদি শলাক শাদুনা পুমচাই চাইহনখিবা থৌদোকশিং মশীং থিঙমদনা থোকখ্রে কৈনো? হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি তক্ল-তক্লগা নুঙদসু তুম্নকই হায়বদুরোমদা য়েংলুরবদি এম এল এশিংনা ইস্যোন কাংদনা লৈঙাক শেমহনবীয়ু হায়দুনা তকশিল্লবদদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা পোরোং থোক্ত্রিবরা হায়বনি। হীরমসিগী মতাংদা রাজ ভবনদা হোৎচিন-হোৎচিন্দুনা তিহোন-তিহোন উনদবা য়াওশিল্লক্ত্রে। এসেমব্লি সেশন ফাওবদা লাক্তুনা শরুক য়াখিদবা কুকি-জোগী এম এল এ ১০দুদা ঙাইশিল্লক্লমাল্লে। হৌজিক ফাওবদা গভর্ণরগা উনখিবশিংগী মনুংদা 'শ্বর' শৎতোক্লগা থন্নক্লিবা মীয়ামগীনি হায়বা লৈঙাক্তুগী লৈঙাক্লোইশিংগী মশীং শুরক্লে। পার্টি অমদা কারক্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা ওনশিনখিবসু য়াওরে। তিনফা-কাকফৈ নপ্পদৌনা শৌগৎলিবনি হায়রকপশিং য়াওরক্লে। হৌজিক্লা এম এল এ ওইদবা মমাঙদা ওইরম্বশিং ফাওবা লিৎশিন্দুনা উনশিল্লক্লে। মথংগী মীখলসু নকশিল্লকপগা লোয়ননা হৌজিকসু লৈঙাক শেম্বা য়াবগী মথৌ তাবা এম এল এশিংগী মশীং পাথোক হেন্দোক্লা লৈরবসু শেমহন্দনা শুজিল্লগা থন্নকপসিগী মতাংদা শোয়দনা ওইরমগনি। অদুবু অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী মতাংদদি এম এল এ অমনা নৎত্রগা খরনা য়ৌ-য়ৌ তৌনরক্লিবসিদি হৌজিক ফাওবগীদি মোইরাং নিংথৌগী সনা কোনুংদা অঙোম নোংবাননা 'কাও ফারক্লে' হায়দুনা চঙশিল্লক্তুনা হায়রবদা মোইরাংগী অঙম্বশিংনা 'নতাও খন্বা লাকখিসনু' হায়বদুগী ফিভমদা অদুম্মক লৈরি। 'কুৎ লাওবা ঐগী' হায়বদুমক থোক্ত্রিবা মখৈ থাজদ্রি, ৱারৌনুকো!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৪৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মৈতৈ লৈমাবীদি সনা খোঙলেংনা লালদাঙৈদগী মিংথোলখিবদি। মৈতৈ লৈমা কৌবা লমফেলঙমবী। লাংকা চীঙনিংথৌ। খুবোম য়াইশাকোনববু কাইনা হুনবী ও। মিংথোল মিংকৌখিয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন কৌবা। লমফেলঙমবী সনা পীবুকনুংদগী চাদা নাওদারমবদি।

**মৈদিংঙু শেলবী মুংয়ামবা**

নবুথৌ মৈদিংঙু শেলবী মুংয়ামবা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু শেলবী মুংয়ামবা মিংকৌদরিঙৈদা। থাঙৱাই নিংথৌ কিয়ামপা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌ কিয়ামবা মিংকৌবনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯴꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥꯕꯤꯗꯤ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯎꯗꯦꯒꯤ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯀꯧꯕꯥ ꯂꯝꯐꯦꯜꯉꯝꯕꯤ꯫ ꯂꯥꯡꯀꯥ ꯆꯤꯡꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯈꯨꯕꯣꯝ ꯌꯥꯏꯁꯥꯀꯣꯟꯕꯕꯨ ꯀꯥꯏꯅꯥ ꯍꯨꯟꯕꯤ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜꯂꯣꯟ ꯀꯧꯕꯥ꯫ ꯂꯝꯐꯦꯜꯉꯝꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯄꯤꯕꯨꯛꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯎꯗꯥꯔꯝꯕꯗꯤ꯫

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯃꯨꯡꯌꯥꯝꯕꯥ

ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯃꯨꯡꯌꯥꯝꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯃꯨꯡꯌꯥꯝꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯗꯔꯤꯉꯩꯗꯥ꯫ ꯊꯥꯡꯋꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯀꯤꯌꯥꯝꯄꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯊꯥꯡꯋꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯀꯤꯌꯥꯝꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯅꯥ꯫ ●

# হৌজিক্তবু ঐখোয় থম্মোয় পেন্থোকপা নৎত্রগা পূক্নিং ঈংথবা য়ারিব্রা?



**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

কুইরে মতমসিগী ঈচেলসিদা ইরমদম মণিপুরগী লৈমায়সিদা অঙৈংবা নুংশিৎ হায়বদু অমত্তা শিৎলকখিদবা। মতমসিদা মণিপুরগী লৈমায়দা শিৎলিবা নুংশিৎসিদি ঈংনা-তপ্পা হুম্বা, লিরি-লিরি শিৎপা মালংবদুগুম্বদি অমত্তসু য়াওদ্রবনি। ক্বাক্তাগী নুংশিৎ নামিবা হায়বদুসুনি, অমুক্তা হেক লাকপা থেংনখিদ্রে, কুইরে। শেংনা হায়রবদা, মতমসিদা শিৎলিবা নুংশিৎশিংসিদি নোংলৈ ওইনা শিৎলকপা মখলশিং, মৈ পুদুনা হুন্নকপা, অশাবা নুংশিৎনচিংবশিং ঙাক্তা ঙাইখ্রবনি। ইরমদম মণিপুরসিদা, ..."ইরমদম মণিপুরসিবু ইন্দিয়াগী মনুং চল্লিব্রা" হায়না হংনরকপা, মশীং থিঙমদ্রবা ৱাহংশিংগী পাউখুম, হৌজিকসু কনাগুম্বা অমত্তনা তরাই-তরাইনা খক পীবা ঙম্নদদুনা লৈরিবনি। পাউখুম খুম্বদা নুংঙাইরোইদৌবা ৱাহংশিং ওইবগী ওইরমগনি। অদুবু ওফিশলশিংগী ওইবা মতাংদদি, মনুং চল্লি শোয়দনমক্কী হায়রক্কনি। তৌইগুম্বসুং, ইরমদম মচাসিদা অমুক-অমুক থোক্লকপা থৌদৌশিংদদি, ইরমদম মণিপুরসি ইন্দিয়াগী মনুং চল্লি হায়বসি পুমকাউ হেক্তা কাউহল্লি অমসুং শ্বাই-শ্বাই লাউবা থৌদৌশিং ঙাক্তনা পুমথন হেক্তা থলহল্লি। ফীভমশিংসিননি, ইরমদম মণিপুরসি ইন্দিয়াগী মনুং চনবা ষ্টেট অমা ওইনা লৌ নৎত্রগা উ হায়নবদা, মণিপুরগী মীয়ামসিনা খম্মুক-খন্মুক হেক্তা তৌনরিবসি। অদুবু ফনা ওইদুনসু, ইরমদম মণিপুরসিনা ইন্দিয়াদা হেক তিল্লকঙৈদগী ঙসি ফাওবসিদদি, মণিপুরগী য়েলহৌমী ইচিল-ইনাওশিং অমদি অশেংবা মণিপুরীশিং অমত্তনা মণিপুরসি ইন্দিয়াগী মনুং চন্দে হায়বা ৱাহৈসিদি খক শীজিন্নখিবা লৈরকত্রিব্রা খল্লি। শুপ্নগী মেনলেগু ইন্দিয়াগী মীওইশিং খক্তনা মণিপুরী ঐখোয়বু দেল্লীনচিংবা অচৌবা সিটিশিংদা চৎলুবদা পহারি নৎত্রগা জঙ্গলি হায়বনচিংবা ৱাহৈশিংসি শীজিন্নদুনা করেম-কথাইনবীরকপগী ৱা খক্তনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌদৌশিংসিগী মহয়ননি ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক লৈনা-লৈনা ইরমদম মণিপুরসিদা মণিপুরীশিং ঐখোয়বু মীরমদমদগী লাকপা মরোল-মরীসু নীংথি-নুংঙাইনা খঙদবা কুকি টেররিষ্ট কাঙবু খরনা মচেৎ-মচেৎ শেগাইদুনা চাগে থৌরাংলল্লিবসি। তান চাদ্রবদি চাবু চারমগদোইনি, খিত্তা হেক ৱাৎহৌবনি। তাঞ্জাসিদা উচিন-নাচিন্না ম্যান্মার লৈবাক্কী লানফমশিংসিনা মথোঙ খরা হুক্লরক্তবগা, ইন্দিয়ানসু কুকিশিংগী হৌরকফমসি খজিক-খরাক মপূক্নিংদা চিংনবা ফাওরকপগুম তৌরকপসিগা মপা চাশিন্নখিবা হায়দুনি। কুকিশিংসি হৌজিক্তি তশেংনা মমৈ চপ্পবা য়োংশিংগা চপ মান্নখ্রে। তৌফম খঙলক্তবগী থৌদৌশিং ঙাক্তা মথং-মথং উখোকপা হৌরক্লবনি। সিনা সি ওইখ্রসনু, ফরে। হৌজিকপু লানগী লান মক্তা, কুকি ভর্সেস মীতৈ ফূরুপ, কুকি ভর্সেস অদর কুকি গ্রুপস, ম্যান্মার রিজনশিংদা লৈরিবা লালহৌবশিং ভর্সেস ইন্দিয়ন আর্মিশিং, ম্যান্মারগী কুকি নার্কো টেররিষ্ট কাঙবুশিং ভর্সেস মীতৈ খুল ঙাকপা কাঙবুশিং, ভর্সেস ময়ামসিগী মরকসিদা মণিপুর হায়বা ইরমদমসিদা লৈরিবা মণিপুরীশিং ঐখোয়গী ইরক্তবু কদাইদগী অতপ্পা থম্মোয়শিং অমদি অঙৈংবা পূক্নিংশিং থিবা ফংলুদগে? ফীভমসিদবু মণিপুরীশিংগী অতপ্পা থম্মোয়শিং অমদি অঙৈংবা পূক্নিংশিং তূমিন্না মচি-মচিশিংদা ফাথদুনা অমদি লোৎশিন্দুনা থম্নরমগনি হায়বা ৱাফমসিবু থাজবা য়ারিবা ৱাফল্লা? থৌদৌসি মঙদা মঙ্গ্রা তানবগা চপ মান্নগনি। খুনীং-খুনীংমুক শাংবা মঙ্গ্রা ঙাক্তা মীৎনা কুপ্পদা পীক থন্না উরন্নগা, মীকপ খংথোক থোক্লকপদা শ্বাই লাউনা হেক্তা লোইনা মাঙখিবগী থৌদৌদুমক ওইদৌরিবনি। মঙদা সনাগী লীক-কোল অমদি সনাগী খুজিশিং য়াম্না শিরম্মী হায়রগসু মীকপ থোক্লকপদা কাঞ্জল শেগাইবগী মরী-মরাংশিং ঙাক্তনা য়েৎশিন্দুনা লৈরম্বসু থেংনবনি। হৌজিক্কানসিদবু মণিপুরদা অতপ্পা থম্মোয় অমদি অঙৈংবা পূক্নিং কনাগীবু লৈরমগদৌরিনো, লৈরম্বা হৌনদে।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী নৎত্রা মণিপুর পূম্বসি মৈ চাক্লকখ্রিবসি? মথোং-মরম খঙদবা, থিকানা লৈতবা, মী ওইনা পোকহল্লোইদৌবা কাঙবু খরবু মমাঙদা চেকশিলহৌদবদগী নুমিৎতুদা থেংনদুনা কদাইদগীনো থৌদৌদু হেক থোকখ্রিবনি। ৱাখল য়াওদবনিনা মীচেন ওইনা লৈবা মখোয়না মণিপুরদা চেনশিন্দুনা, য়েপশিন্দুনা লৈরগা তূমিন্না লৌ মপু য়োংনা তাল্লকপগী থৌদৌগুম, মীতৈশিংগী য়ূমশিং মথং-মথং মৈ থাদুনা তানবা হৌরকখিবগী ৱানি। ফীভমসিদবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচুম-অরান থিদোকপদা হৌজিক ফাওবদা চহী অনীরোম হেনবগী মতমসি লৌরক্লি। থৌদৌশিংসিদা মীতৈ ফূরুপ্না ইন্দিয়া লৈঙাক হায়বসিগী ৱাফম অমা লৈ হায়বা কাসি শুকখন হেক খল্লুদনা, শুপ্নগী মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং খক্তগী মপাঙ্গলনা ম্যান্মাররোমদগী চেন্থোক্লকপা মশীং থিঙমদ্রবা ইম্মিগ্রেন্টশিংদুগা লেপ্পা লৈতনা লম্বা পানরকখিবনি। হৌজিক্তি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংসু য়েলহৌরকঙৈদগী হৌনা মরমদম মণিপুরসি ঙাইহাক লৈতনা ঙাকচ-শেঞ্জদুনতা লাকপদা তশেংনা মশাদা ৱাবা, চোকথবসু ফাওরে অমসুং শাউনীংবা অমসু য়াওরে। ফীভমসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং হৌজিক তংদু-লৈতানা খক লৈরম্ফম থোক্তে, লৈরমগনি খল্লুবা লানগনি। ফীভমসিদা অমুক্কসু ঙরাং-নহান্তা মণিপুরগী পি আর লৈঙাক্কী লৈঙাকপা মকোক, নন মণিপুরীশিং ঙাক্তগী হাক্তক্তসিদা নৌহৌনা মণিপুরদা গাড়ী-বসনচিংবদা মণিপুর থাদুনা চৎপা য়ারোই, মূখুৎলগা চৎলু হায়না মখোয় মশেল ঙাক্তগী সেন্ট্রেল ফোর্স ওইরিবা ৪-মহার রেজিমেন্টকী কাঙবুশিংদা হায়হল্লকপদগী মণিপুরদা ঙসিসু মণিপুরী মীচমশিংগী অচৌবা লাঞ্জাওশিং থোক্লক্লিবসিনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং হৌজিক কন্না মৈ হৌরি অমসুং মনাক্তা নকশিল্লকপা খুদিংমক্কা লোয়নদুনা পূন্না মৈনুংদা চোংশিনমিন্নবা কন্না হোৎনরি অমসুং শেম শারি।

মণিপুরগী ৱাথোকশিং খরগী মতাংদা মমাঙদা য়ু এন য়ৌনখিবগী ৱারীশিং লৈখ্রে। মরু ওইনা কুকি ভর্সেস মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী লানফমদা য়ূম্ফম ওইবা ৱাফমশিং খরগী মতাংদা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু এন য়ৌনখিবা লৈখিবনি। হৌজিক-হৌজিকমকসিসুনি। চেপ্টরদুমক্কী অনৌবা ইপিসোদ অমা ওইনা মথক্তা পনখ্রিবা ৪-মহার রেজিমেন্টতা ইনশিন্দুনা হায়হল্লি হায়রিবা মণিপুরদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসি থারগা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট বসনচিংবা অমত্তা চৎপা য়ারোই, মূখুৎলগা নৎত্রগা মথক্তা চে নপশিন্দুনা উহন্দ্রগদি চৎপা য়াগনি হায়রকই হায়বগী মতাংসিদা অমুক হন্না শোয়দনা য়ু এন য়ৌনরকপসু য়ারি। কনানা করিবু হায়জিনবীদুনা মমানা পোকঙৈদগী অমুক্তসু ষ্টেটসিদা লাকখিদ্রিবা মীরমদম মচা মখোয় খরা খক্লা হন্দক্কী পি আর মনুংসিদা মণিপুরগী লৈঙাক পায়জরগা তৌশিল্লক্লিবা ময়ামসিবু ঙকত্রিবরা? ষ্টেট মশাগী মমিংবু ষ্টেটতুগী ট্রান্সপোর্ট বসনচিংবশিংদা থাদুনা চৎপা য়ারোই চে নপশিল্লগা ষ্টেটকী মমিং থাবদু উহন্দনা চৎলবদি য়াই হায়রকপগী থৌদৌসি মী শিনবা য়ারিবা থৌদৌনি। ফনদুম ফরে, হন্দক্কী মতাংসিদি ঐখোয় চুমথোকহৌরসি। করি-করম্বা ফীভমদা অসুক শাথীবা থৌদৌসি থোকখ্রিবনো হায়বসিসু ঐখোয় ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা হোৎনমিন্নহৌদবা য়াদ্রে। মখোয়না ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক থৌওই-উশিৎত্রিবসি করি মরমগীনো হায়বসিসু হন্দক্তি ময়েক শেংনা লৈখাই অমা তানহৌরদৌনি। হন্দক্কী মতাংসি মখোয়না ঐখোয়বু হেক তৌরিবা মখৈ কিদুনা শুপ্নগী ৱাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ঙাঙলক্লরোইদৌবা মীদানি হায়না খনবসু মাল্লি। ঐখোয়নদি মখোয়দা হেক হৌরকঙৈদগী হৌনা ঙসি ফাওবসিদা চৈ কান্দনা, থবক খুদিংমক্তা চুমদ্রিং চুম্না চৎতুনতা লাকখিবনি। অদুবু মখোয়নদি ঐখোয়দা অশিংবা শক্তুনা অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৯গী শিল্লোং একোর্দ, মণিপুরগী মর্জর এগ্রীমেন্টকী থৌদৌদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবসিদা লৌনম তৌদুনা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবা অমদি নম্ফুদা লোই চলহৌনবগী অরোনবা থৌরাংশিং ঙাক্তদা থবকশিং চথ্থরক্লি। হন্দক্কীসিসুনি, মণিপুর কৌবা ষ্টেটসিদা মখোয়না 'মণিপুর' হায়বা ষ্টেট অসিগী মমিংসি থাবা য়ারোই ফোঙদোরকপা হৌরক্লিবসি হান্নগী অদুগুম্বা লৌনম-চীরোলশিংদুগী মনুংদা অমা শোয়দনা শিন্নবা হৌরকপা ওইরমগনি। ঐখোয় চেকশিলহৌদবা খক চুম্লোই হায়রিসিনি।

হন্দক্কী মণিপুর মনুংদা 'মণিপুর' হায়বা মিং থাদুনা চৎপা য়ারোই, মূখুৎলগা নৎত্রগা খুমজিল্লগা চৎপদি য়াগনি হায়বগী ৱাফমসি হন্দক মণিপুরদা মথৌ তৌরুগনি হায়না লাক্লিবা ৪-মহার রেজিমেন্ট হায়রিবা ইন্দিয়ান সিফোইশিংসিনা হায়বনি। থৌদৌসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনদি ষ্টেটকী মমিং খুমজিন্নবা পাউতাক অমত্তা পীখিবা লৈতে হায়বা ৱাফম প্রেস মীদিয়ানচিংবশিংদা ফোঙদোক্লকখিবা লৈরে। থৌদৌসিনা কদায় ফাওবা য়ৌনা মণিপুর মীয়ামগী অপূনবা খোঙজংসি হন্থহল্লকপা ঙমগদৌরিবনো? ঐখোয় তৌফম থোকপশিং খুদিংমক্তি তৌসি। ●

# হে ভগবান! নহাক্কী মুরুলি-বাঁসিদুবু কনানা শাবনো! (৯)



**শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল**

**ডা. লাইশ্রম ইমোবা**

অসুম্না খন্দুনা য়াল্লিবা ৱাপুম অমদগী ফংগদৌরিবসিসু মঙা-তরুক মুক্তনি। অহলশিংগী মতমদা ফুনাল মরিং, থিয়াম কোঞ্জিলনচিংবা খুলশিংদা থৌওইনা ৱা লৈবা, য়ানবা চৎলম্মী। মতমদুদা ৱা অমগী মমলসিনা লুপা ৭/৮ মুক পী, য়াম্না তাঙই হায়না লৌনরম্মীপোৎনি হায়। হৌজিক্তি কয়াদা খেন্নরবা। মৌবী ৱা অমদা লুপা ৬০/৭০ পীনরে। নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা ইন্দিয়াগী ফাওরবা বাঁসি শাদুনা পুথোক্লিবা দেল্লীগী 'পুনম ফ্লুট' কী ওইনদি ৱা অসি মপূং ওইনা অসামদগী লৈ হায়না তাই। মণিপুরদগীসু থারম্বা লৈখি অদুবু কায়বা-খোৎপা য়াওরগা ফরক তান্নরকপদগী তোক্লখিবা ওইরমাল্লে। হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা পাউদি থোইদোক্লা খঙলুদ্রে হায়জে।



ওজা লালহরিনা মচানুপাবু বাঁসি খোংবা তম্বীরিঙৈগী মীকুপ অমা

বাঁসি শাবগীবু ওইরো, অতৈ হীরমদা শীজিন্নবগীবু ওইরো, মণিপুরগী ওইনা মমাঙঙৈ অহল-লমনশিংগী হাক্তক্তে ৱা য়ানবগী মতম অকক্লনা লৈ। চহী চূপ্পা য়ান্নীংবা মতমদা তঙাইমক ফদবা মরমগী নত্তনা ৱাপলদৈ ৱা য়ান্নদে। ৱা য়ানবা য়াদবা নুমিৎ হায়না ফাওবা চেকশিন্না ঙাক্লরম্মী। ফত্তবা/য়াদে হায়বা নুমিত্তা ৱা য়াল্লুবা ৱাপল তুমগল্লি, মপাল শাৎকল্লি হায়বগী থাজনবী ফাওবা লৈরি, ঙাক্লা চৎনরম্মী। অদুনা লমদমসিগী ওইনা মেরা থাদগী পোইনু থা ফাওবগী মনুং (ওক্টোবরদগী জন্যুৱারী), কুম অমগী ওইনা অশিৎ-অৱান্থা য়ৌরকত্রিঙৈ, ৱানাশিং কেন্দুনা অনৌবা মনা-মসা চোংলক্ত্রিঙৈদা ৱা য়ান্নরম্মী। অসুম্না য়েন্নিং হুল্লকপা মতমদা য়ানবা ৱাদি অয়াম্বা মতমদা কুইনা থম্বদা/শীজিন্নরকপদা শুম-তাউ চাগল্লি হায়না থাজনরক্লি। মরম অসিনা বাঁসি শাবশিং য়াওনা ৱাগী মচাক্লা অতৈ পোৎলম শাবনা মশিন ওইবা খূৎনাইবশিংনা মাগী মাগী কুম অমগী মথৌ তারক্কদবা ৱা মতম শুরিঙৈ য়ান্দুনা/লৈদুনা পৈশিন-লৌশিন্দুনা থম্বা অদুম্মক চৎনরম্মী।

ঐজ্জামচা লালহরিগী য়াম্না নুংশিবা ৱারী অমা লৈ। য়াম্না নুংঙাইখিদবা থৌদোক্লি। মহাক্লা শাবা বাঁসি অমা দেল্লীদা থাবীরকউ হায়বদগী চরু-ৱাইরুনা চেকশিন্না য়োমদুনা থারুরগা কায়রে, শীজিন্নবা য়াররোই হায়না অমুক হল্লকখিবগী থৌদোকসিনি। মহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। মদুগী বাঁসিদুমক মহাক্লা য়াম্না চেকশিন্না ফেবিকোলনা নপ-খোৎতুনা শেমজিন শাজিনবদা শুর তানা, মখোল নুংশিনা থোক্তুনা শীজিন্নবা য়াবা ওইখি। অদুমক শীজিন্নদুনা মহাক্লা নেশনল য়ুঠ ফেষ্টিবেলনচিংবদা খোংখিবদা মনা-মথুম ফংলকখি। মদুদসু নত্তনা অকাসবানি ইম্ফালগী বাঁসিগী ওডিশন্দসু মদু শীজিন্নদুনা খোঙখিবনি, মায় পাক্লকখি, 'বি-হায়' দা পাস তৌরকখি। মদুগী বাঁসিদুমসু হৌজিক ফাওবা মহাক্লা য়াম্না নুংশিনা চেকশিন্না থল্লি হায়। মসিনি মণিপুরগী বাঁসি শাবা ইমুং অমদা হৌরক চাওরকখিবা হিদংময়ূম লালহরিগা নোংমা ৱাচানরুবদৈ ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী পূন্সিরোলদা বাঁসিগী ৱারী লীখুন খজিক খূৎমারুবা ঙল্লকখিবা।

থেংলবা অহিং তাংলৌদা, লোয়ালমগী পাখঙনা (ষঞ্জেনহা) ওইরবসু ওইদ্রবসু খোংনরম্বা বাঁসিগী খোঞ্জেলসি ইপনলম পোইরৈ অসিদা তাবা ফংখিদবা ওইরল্লোই। ব্রজ বৃন্দাবন, গোকুলগী লৈরক খুল্লক্তসু তাবা ফংলমগদবা মান্দ্রে, থাজদ্রে। রাধিকা অমদি ব্রজগোপীশিংগী থম্মোয় হুরম্বা ভগবানগী মুরুলি খোঞ্জেল, মেরাগী থানিলগী অহিংদদা নত্তনা অতৈ থাবল ফরবা অহিংদা ঐখোয়গী লোয়ালমগী লৈরক খুল্লক্তসু খোয়নৌ নহা খ্বাংনৌবশিংগী মিরবা তৌদ্রি/বাঁসিগী নামিবা খোঞ্জেলনা নুজা ওইবী কনাগী খোমলেন তূমখুন হুঞ্জবা ঙমহল্লমদবা, মদুগুম্বা মতমদো হৌখ্রে। হল্লক্কদবা মান্দ্রে। মহুৎ শিন্নবা পোৎথোরকখ্রে। মমিং পন্নীংদ্রে। শৈফম কয়াদা বাঁসিগী মখোল, কি বোর্দনচিংবনা পুথোকপা ঙম্নরক্লে। অদুবু ঐখোয়গী ফূরুপসিগী নাৎকী থৌরম খরদদি বাঁসিগী মহুৎ শিন্নবদি লৈত্রি। অদুনা লমদমসিগী বাঁসি শাবা হৈবশিংগী ফিদাসিবু কদাইদা কমদৌনা কনখিবনো হায়বসিসু খল্লক্তবা ঙমদে। মখোয় অসিসু খূৎনাইবশিংনি হায়না শীংথাবীবা, শকখঙবীবদি চুম্বজাৎনি। মসিমদি ময়েক শেংনা হায়বা য়াই, বাঁসি শাবা শিনফম্না খূৎনাইবদুবু য়োকচবসিমদি খজিক খুয়ৌনগনি। পামজরুবগী ঙাউজবা অমা চঙই।

মতৌ অসুম্না খূইনাইবশিং-শিন্নাইবশিংনা মানা-মানা পামজ-হৈজবশিংখক্তদা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনজরিবশিং অসিগীদমক ঐখোয়না চাওথোকচবা পোকচৈ। লাইপোক্লুল্লবা গুরু লৈখিদ্রবা হিদংময়ূম লালকহাই শর্ম্মনা হুল্লম্বা মরূ, হৌরকপা চারা অমদি ঙসি শারেপ কাঙদোং ফাদুনা, মপাল শাৎ, মহৈ য়াল্লে হায়বসিমা শোয়দ্রে। লাক্লিবা ৱাহংদি গুরুদেবসিনা তম্বীরমখিবা কনা-কনাদি কদাই-কদাইদা লৈরমখিগবা হায়বসিনি। পাউখুম ফংলকপা ওইসনু!! ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৪গী ৱাহং**

১) "নুংশিবদি অঙাওবনি, মফম মতম, ধর্ম্ম অমদি চহী অসিগুম্বগী ৱাখল অমত্তা মঙোন্দা লৈজদে হায়বগী ৱাখল ঈচেল অদুনি ৱারীসিগী পরিংদি, থুংনবা কায়নবনা অমনি।"
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "ৱাকয়ৈ হি অমগা ঙাফা ইন অমগা ঐখোয় বাবানা লৈরনি হায়য়ে, ঐখোয়গী"।
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং হায়য়ু। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো?

৩) "ঐগী ৱারী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "মচাথোই অমসুং লাইচনুরা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "চীংনুংগী সনা লোক্তগী" হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।